# সেকেন্দ দিভিজন লীগ ফাইনেল রাউন্দগীদমক নেরোকা এফ সীগী টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে




ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস) :

মণিপুরগী ফুটবোল পুৰারীদা অনৌবা পন্দুপ অমা হাংদোক্লবগীদমক নেরোকা এফ সীগী টিম সেকেন্দ দিভিজন লীগ ২০১৬-১৭ কী ফাইনেল রাউন্দ শান্নরুনবগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

অচৌবা আশা অমগা লোয়ননা ঙসি অয়ূক টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী ইম্ফাল থাদোকখ্রবা নেরোকা এফ সীগী টিমদা নেরোকা এফ সীগী মেনেজমেন্টগী মায়কৈদগী য়াইফ মঙ্গল পীখি।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা সেকেন্দ দিভিজন লীগকী টিম তরুক্লা ফাইনেল রাউন্দ অসিদা লম্বা তৌনগনি। থা অসিগী ৭ তগী তোঙান তোঙানবা হোম ভেন্যু তরুক্তা পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা সেকেন্দ দিভিজন লীগ ফাইনেল রাউন্দ অসিদা শরুক য়ারিবা নেরোকা এফ সীগী টিমদা থোইদোক হেন্দোক্লা লমদমসিগী মমিং লৈরবা লোকল প্লেয়র কয়া য়াওবদা নত্তনা ইনিদয়াগী অচৌ অচৌবা ক্লবশিংদা শান্নরম্বা অমদি আই এস এলগী প্লেয়র কয়া য়াওরিবনি।

নেরোকা এফ সীগী ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা শান্নরোয় ১৮ অদুদি গোল কিপরদা ললিট থাপা অমসুং অরুপ দেবনাথনি। দিফেন্দরদা মোহম্মদ আলি, মোইরাংথেম গোবিন, মোইরাংময়ূম অশোক, মোইরাংথেম ধনঞ্জয়, ফোরেন প্লেয়র কার্লোন ভর্নে, ফোরেন প্লেয়র অরাটা ইজুমিনি।

মিদফিল্ডরদা দেবিদ লালবিয়াট জারা, লাইরেঞ্জম বিশেশ্বর অমসুং থাংজম সরননি। রাইট ৱিংদা থোকচোম জোনসন অমসুং সিংনাম সুবাস, লেফ্ট ৱিংদা চীংঙাখম আনন্দ অমসুং ক্ষেত্রিময়ূম মালেমঙানবা, সেন্তর ফোরৱার্দতা চোংথাম সুসিল, ফোরেন প্লেয়র ইজিগৌ চিনেদো ইমান্যুএল অমসুং ফোরেন প্লেয়র ওদিলি খেলিক্স চিদিনি। নেরোকা এফ সীগী হেদ কোচনা গীফ রাইখান, টিম মেনেজরনা থাংজম অরুনকুমার অমদি টিম ফিজিওনা ঐচ বিক্রমকুমারনি।

সেকেন্দ দিভিজন লীগকী ফাইনেল রাউন্দদা শরুক য়ারিবা টিম অদুদি সাউর্দন সম্মিটি কোলকটা, নেরোকা এফ সী, দেল্লি য়ুনাইটেদ এফ সী, কেনক্রে স্পোর্টস মুম্বাই, ফটে হায়দ্রবাদ অমসুং লোন ষ্টার কাশ্মীর এফ সীনি।

সেকেন্দ দিভিজন লীগ ফাইনেল রাউন্দ অসিগী অহানবা মেচ ওইনা নেরোকা এফ সীনা কেনক্রে স্পোর্টসকা মুম্বাইদা এপ্রিল ৮ দা শান্নগনি। নেরোকা এফ সীগী অহানবা অৱে মেচ অসিগী হেক মতুংদা থা অসিগী ১২ দা দেল্লি য়ুনাইটেদ এফ সীগা দেল্লিদা শান্নগনি। অহুমশুবা অৱে মেচ থা অসিগী ১৬ তা লোন ষ্টার কাশ্মীর এফ সীগা শ্রীনগরদা শান্নগনি।

নেরোকা এফ সীগী মরিশুবা মেচ থা অসিগী ২৩ দা হোম মেচ ওইনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা ফটে হায়দ্রবাদ এ এফ সীগা শান্নগনি। নেরোকা এফ সীগী মঙাশুবা মেচ থা অসিগী ২৭ তা সাউর্দন সম্মিটিগা কোলকটাদা শান্নগনি। মেচ অসিনা নেরোকা এফ সীগী মরিশুবা অৱে মেচ ওইগনি।

নেরোকা এফ সীগী তরুকশুবা মেচ মে ৪ দা কেনক্রে স্পোর্টসকা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। মেচ অসিনা নেরোকা এফ সীগী অনীশুবা হোম মেচ ওইগনি।

নেরোকা এফ সীগী তরেৎশুবা মেচ মে ৯ দা দেল্লি য়ুনাইটেদ এফ সীগা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। নিপানশুবা মেচনা মে ১৬ তা লোন ষ্টার কাশ্মীর এফ সীগা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। নেরোকা এফ সীগী মাপনশুবা মেচ ফটে হায়দ্রবাদকা হায়দ্রবাদতা শান্নগনি। মেচ অসিনা নেরোকা এফ সীগী মঙাশুবা অৱে মেচ ওইগনি।

নেরোকা এফ সীগী অরোইবা মেচ মে ২৭ তা সাউর্দন সম্মিটি কোলকটাগা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

# পারস কপকীদমক মণিপুরদগী টিম কোচ য়াওনা শান্নরোয় ৪ খল্লক্লে



এম পুন্সিবা মৈতৈ



এল বুধচন্দ্র সিংহ



এল নাওখোম্বা মৈতৈ



এল নেতা সিংহ



সচিদানন্দা এম

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ ঃ

চৎলিবা থা অসিগী ১৪ দগী ১৭ ফাওবা ইরানগী সেমনামদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬ শুবা পারস কপ্তা শরুক য়ানবগীদমক ইন্দিয়ন টিমগী শান্নরোয় অমদি ওফিসিএলশিং লাউথোকপদা মণিপুরদগী কোচ সচিদানন্দা ময়াংলম্বম য়াওনা শান্নরোয় মরি খল্লক্লে।

নুমিৎ মরিনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬ শুবা পারস কপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরদগী খল্লক্লবা ৱুশু এসোসিএশন ওফ মণিপুরগী শান্নরোয় মরি অদুদি এল নাওখোম্বা মৈতৈ, এম পুন্সিবা মৈতৈ, এল বুধচন্দ্রা অমসুং এল নেতানি। ওফিসিএল ৬ য়াওনা পূন্না মীওই ১৯ ইন্দিয়ন টিমগীদমক খনখিবা অদুদা মণিপুরদগী মমিং লৈরবা ৱুশুগী কোচ সচিদানন্দা ময়াংলম্বমনা ইন্দিয়ন টিমগী কোচ ওইনা শরুক য়াগনি।

মণিপুরদগী খল্লক্লবা শান্নরোয় মরি এল নাওখোম্বা মৈতৈ অমসুং ময়াংলম্বম পুন্সিবনা তাওলু ইভেন্টতা শরুক য়াগনি। সান্দা ইভেন্টতা এস এস সী বিদগী এল বুধচন্দ্রা অমদি এল নেতাচন্দ্রনা শরুক য়াগনি।

ইন্দিয়ন নেসনল টিমগীদমক খল্লবা শান্নরোয় মরি থা অসিগী ৫ দগী ১২ ফাওবা ভোপালগী সাই সেন্তরদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল কেম্পতা শরুক য়াগনি হায়না ৱুশু এসোসিএশন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এম বিরমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# জুনিয়র ইন্টরনেসনল চেলেঞ্জ বেদমিন্টন্দা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং মায় পাকপা হৌখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস) :

ঙসিদগী হৌদুনা থাইলেন্দগী বন্থোংয়োর্দ বেদমিন্টন স্কুলদা চত্থবা হৌখ্রবা য়োনেক্স-সিরা-রোজা-বি টি ৱাই জুনিয়র ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন চেলেঞ্জর ২০১৭ তা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং মায় পাকপা হৌখ্রে।

ঙসিদগী হৌখিবা জুনিয়র ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন চেলেঞ্জ অদুদা মণিপুরদগী শান্নরোই মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাং, পুন্সিবা য়েংখোম অমদি বিদ্যাসাগর সলাম্না মখোয়গী ওপোনেন্ট থাইলেন্দগী শান্নরোয়শিংবু মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীখিবা অসিনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা অচৌবা আশা থল্লি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্টরনেসনল প্লেয়র মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিপ কয়াদা ৱিন্নর ওইদুনা ইনিদয়াগী বেদমিন্টন্দা অচৌবা ফিদা অমা কল্লিবা শান্নরোয়নি।

চহীসিগী অঙনবা শরুক্তা বেদমিন্টন এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়া (বাই) না লাউথোকখিবা রেঙ্কিংদা মণিপুরগী নুপামচা শান্নরোয়শিংনা চহী ১৩ মখা, চহী ১৫ মখা অমদি চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান রেঙ্কিংদা লৈরিবনি। লোয়ননা নুপীমচাগী চহী ১৫ মখাগী সিঙ্গলসতা মহেশ্বরিনা ইন্দিয়াগী নম্বর থ্রি রেঙ্কিংদা লৈখি।

বাইনা লাউথোকখিবা রেঙ্কিংদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা ইভেন্ট ৫ দা নম্বর ৱান রেঙ্কিংদা লৈদুনা চহী ১৩ মখাগী নুপাগী সিঙ্গলসতা আর কে উপানন্দা, চহী ১৫ মখাগী নুপাগী সিঙ্গলসতা বিদ্যাসাগর সলাম ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান রেঙ্কিংদা লৈখ্রবনি। চহী ১৫ মখাগী বোইজ দবলসতা বিদ্যাসাগর সলাম অমসুং পুন্সিবা য়েংখোমগী জুরানা নম্বর ৱান রেঙ্কিংদা লৈখ্রবনি। মৈরাবা লুৱাংনা চহী ১৭ মখাগী সিঙ্গলসকী নম্বর ৱান রেঙ্কিংদা লৈরিবনি। মঞ্জিৎ অমসুং দিঙ্কুগী জুরানা চহী ১৭ মখাগী বোইজ দবলসকী নম্বর ৱান অদুগা পুন্সিবা য়েংখোমনা চহী ১৫ মখাগী সিঙ্গলসকী নম্বর থ্রি রেঙ্কিংদা লৈরিবনি।




Authorised Tata Motors Dealers

TIDDIM MOTORS :

Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 8014686437

*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.

HL-B/3779/23/32-24/4




HL-P/1238/4-10




HL-P/1010/03/03-6/04




